# প্রাইম মিনিষ্টরনা দিমোনেটাইজেসনগী অশোয়বা খঙজগদবনি : মনমোহন



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা দিমোনেটাইজেসনগী অহানবা কুমওন নুমিৎতা 'এন্টি ব্লেক মনি দে' গী থৌরম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিঙৈগী চৈরক্তা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা হায়খ্রে মদুদি, মোদিনা দিমোনেটাইজেসনগী অশোয়বা খঙজগদবনি।

মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা মশাগী অশোয়বা খঙজবগা লোয়নননা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। দিমো-নেটাইজেসনগী মতাংদা পোলিটিক্স তৌবগী মতম হেনখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টরনা মশাগী অশোয়বা খঙজদুনা ইকনমিগী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা মীয়ামগী মতেং লৌগদবনি।

দিমোনেটাইজেসনবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী থৌওংনা মীচম মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং পীখি। অশোয়বা খোঙথাং অদুনা হীরম খুদিংমক্তা লৈবাক অসিবু শোথুরক্লবগী মরম ওইহনখি।

লৈবাক্কী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) য়েংলগা দিমোনেটাই-জেসনগী চৈথেং ইরায় লায়না খঙবা ঙম্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, খুন্নাইগী শোথহৌরবা কাঙলূপ্তা অকনবা শাফূ পীখিবা থৌওং অদুনা লল্লোন-ইতিক মচা-মচা তৌজরিবা মীওইশিংবুসু অৱাবা তাহনখি।

অমরোমদা, লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা দিমোনেটাইজেসনগী মায়োক্তা চঙশিনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মহারাষ্ট্র প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা নবেম্বর ৮ দা সাউথ মুম্বাইগী অজাদ মাইদানদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী খোঙজং চঙশিনগদৌরি। নুমিৎ অদুদা কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা দিমোনেটাই-জেসন মতুং তারকপদা শেল লৌথোক্লবগী বেঙ্কতা ক্যু লেপ্পদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎকদৌরি।

কোংগ্রেসনা নবেম্বর ৮ দা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা ব্লেক দেগী থৌরম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বর ৮ দা লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা মীয়াম্না শেল লৌথোক্লবগী বেঙ্কতা ক্যু লেপ্পদা মীওই ১১৫ শিখি।

মুম্বাই কোংগ্রেস য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট নিরুপমনা পাউমীশিংদা হায়খি, জুহু বিচতা কোংগ্রেসনা লৈখিদ্রবা মীওই-শিংগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি। কোংগ্রেস ৱার্কর খরনা লৈখিদ্রবশিংগীদমক অৱাবা ফোঙদোকপা ওইনা লূ কোকথোকপগা লোয়নননা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর পৃথিবীরাজ চৱননা তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপকী মীওইশিং উনদুনা দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা ৱারী শানগনি।

# শিমলাদা মীরেপ মরিনা অকনবা লম্বা পানরি

## গুজরাটকী মীখলদা বি জে পিনা কোংগ্রেসপু মায়থীবা পীরগনি : অশোক পান্দে

শিমলা, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী):

হিমাচল প্রদেশকী লেমজনিংঙাই ওইরবা শিমলা (অর্বান) কন্সটিট্যু-য়েন্সিদা মীরেপ মরিনা অকনবা লম্বা থেংনবগা লোয়নননা অহুম্লক এম এল এ ওইরক্লবা বি জে পিগী সুরেশ ভরদ্বাজনা হন্দকসু অমুক্কা হন্না মায় পাক্লবা হোৎনরি।

কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মীরেপ ওইরিবা অতৈ মীওইশিংদি কোংগ্রেসকী হরভজন সিংহ ভাজি, শিমলা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মেয়র ওইরম্বা সী পি আই (এম)গী সঞ্জয় চৌহান অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইরিবা হরিশ জনরথানি।

বি জে পিনা ভরদ্বাজদা টিক্কেট পীখিবগী থৌওংবু পার্টি অসিগী মীওই কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা কোংগ্রেসকী লুচিংবশিং য়াওনা সপোর্টর কয়ানা শিমলা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মেয়র ওইরম্বা জনরথাদা ফোংনা শৌগৎ-লকখি। মীওই অসি চীফ মিনিষ্টর বিরভদ্রা সিংহগা য়াম্না নক্লবা মরম্না কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী মপুং ফানা মতেং পাংলকপা য়াই হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, চহী ৩১গী মনুংদা অহানবা ওইনা শিমলা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন পায়বা ঙমখিবা বি জে পিনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মায় পাক্লবা কন্না হোৎনরি।



অদুবু, অতোপ্পা মীরেপ অহুম চোংথোরকখিবা মরম্না হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পিনা তরাই-তরাই মায় পাকপা ঙম্লোইদৌরি।

ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা চোংথোরকখিবা জনরথানা কুমজা ২০১২ দা কোংগ্রেসকী টিক্কেটতা মীরেপ ওইখি। অদুবু, শুপ্নগী ভোট ৬২৮ দা মায়থীবা ফংখি।

কুমজা ১৯৬৬ কী নবেম্বর ফাওবা পঞ্জাবকী শরুক ওইরম্বা শিমলাদা ভারতিয়া জন সঙ্ঘগী দৌলট রাম চৌহাননা কুমজা ১৯৬৭, কুমজা ১৯৭২, কুমজা ১৯৭৭ অমসুং কুমজা ১৯৮২ দা মায় পাকখিবনি। কুমজা ১৯৮৫ দা পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখলদা কোংগ্রেসকী ভাজিনা মায় পাকখি। অদুবু, কুমজা ১৯৯০ দদি ভরদ্বাজনা অমুক হন্না কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মায় পাকখি।

সী পি আই (এম)গী রাকেশ সিংহনা কুমজা ১৯৯৩ দা অহানবা ওইনা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মায় পাক্তুনা পুৱারী অমা শেম্বা ঙমখি। মতমদুদগী হৌনা কম্যুনিষ্টকী সপোর্টর কয়া কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মরা তাবা হৌখ্রবনি।

অমরোমদা, উত্তর প্রদেশকী মিনিষ্টর ওইরম্বা কুমার অশোক পান্দেনা হায়খ্রে মদুদি, গুজরাটকী এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিনা মায় পাক্তুনা কোংগ্রেস মায়থীরগনি।

উত্তর প্রদেশকী থৌরম পুরিবা বি জে পিগী লুচিংবা অসিনা দিসেম্বর ৯ অমসুং ১৪ দা মীখল পাঙথোক্ক-দৌরিবা গুজরাটতা পার্টিগীদমক ভোট খোম্বগী থবক পায়খৎকদৌরি।

মহাক্না হায়খি, কোংগ্রেসনা জি এস টি অমসুং দিমোনেটাইজেসনগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙদুনা মীখলদা মায় পাক্লবা হোৎনরবসু থোইদোক্না কান্নবা ফংলোই।

# পুলৱামাদা খূৎ থোক্লবদা জৱান অমা শিরে



শ্রীনগর, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা মিলিটেন্টশিংগা খূৎ থোক্লবদা সিক্যুরিটি পার্সনেল অমা শিরে অমসুং মীচম অমা শোক্লেহায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অগলার এরিয়া মনুং চন্না লৈবা কানদি বেল্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মিলিটেন্ট খরা লোৎতুনা লৈরে হায়বগী পাউ ফংবদগী থিবা-হুম্বা চত্থখি। মফম অদুদা লোৎতুনা লৈরম্বা মিলিটেন্টশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সেস তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনী অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি।

থৌদোক অদুদা সিক্যুরিটি পার্সনেল অমা শিখিবগা লোয়নননা মীচম অমা অশোক-অপন নংখিবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী সম্বা দিষ্ট্রিক্টতা হন্দক্তা পাকিষ্টানি রেঞ্জরসনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চত্থরকপদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী জৱান অমা শিখ্রবনি।

পাকিষ্টানি রেঞ্জরসনা ইখঙ খঙহৌদনা বি এস এফকী পেট্রোল পার্টি অমদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। বি এস এফনসু খূৎ হন্দুনা নাকল অনী ঙাইহাক খূৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা টাপন মোন্দল কৌবা কন্সটেবল অমা শিখিবনি হায়রি।

হৌখিবা ওক্টোবর ৩১ দসু পাকিষ্টানি আর্মিনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পূঞ্চ দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা কর্মারা বেল্টকী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক্তা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। ওক্টোবর ২৬ তনা কর্নি সেক্টরগী সের শক্তি অমসুং মন্ধার এরিয়াদা সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি।

চৈরকসিদা, জাইস-ঈ-মহমদ (জে ঈ এম)গী মিলিটেন্ট অমা পুলৱামা টাউনদা লৈখিদবগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকপা ওইনা মীয়াম্না টোটেল সট দাউনগী খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে। ওঠোরিটিশিংনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা রেল সার্ভিস লেপহনখি।

# নির্মালা সিতারামনগী অরুনাচল খোঙচৎ য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী):

দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিতারামনগী অরুনাচল প্রদেশ খোঙচৎপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা চাইনানা হায়খ্রে মদুদি, য়েৎনরিবা মফমদা ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর লাকখিবা থৌওং অদুনা রিজন অসিদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা অকায়বা থোকহল্লগনি।

সিতারামননা ঙরাং চাইনাগা লোন্নবা অরুনাচল প্রদেশকী অঞ্জো দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা আর্মিগী পোষ্ট অমদা চৎতুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী থৌওংশিং য়েংশিনখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন হুৱা চুনয়িংনা পাউমীশিংদা হায়খি, ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী ঙমখৈদা লৈবা য়েৎনরিবা মফমদা ইন্দিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টরনা লাকখিবগী থৌওং অদুনা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা অকায়বা থোকহল্লগনি।

নাকল অনীনা ঈং তপ্না ৱারী শানদুনা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনবগী মহুৎতা অমনা অমদা কায়হৌবগী থৌওং চত্থরোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চাইনানা অরুনাচল প্রদেশপু সাউথ টিবেটকী শরুক অমনি হায়না ক্লেম তৌরিবনি। য়েৎনরিবা মফম অসিগী মতাংদা নাকল অনীনা কয়ারক হন্না ৱারী শানখ্রবসু হৌজিক ফাওবা য়ানবা পুরকপা ঙমদ্রি।

মমাঙ থাদসু দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিতারামননা সিক্কিমদা লৈবা ইন্দো-চাইনা বোর্দরগী নাথুলা এরিয়াদা চৎতুনা পিপলস লিবরেসন আর্মিগী লান্মীশিং উনখিবনি।

সিক্কিমগী দোক্লামদা চাইনাগী লান্মীশিংনা লম্বী শেম্বগী থবক পায়খৎলকপদগী নাকল অনী মতম শাংনা মুক্লবগী থৌদোক অমসু লৈখ্রে। চাইনিজ লান্মীশিংনা লাদাখতা পাঙ্গোং লেক মনাক্তা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখিবা থৌরাং অমসু ইন্দিয়ন আর্মিনা অরেম্বা তাহনখ্রবনি।

# গোরখপুরগী বি আর দি মেদিকেল কোলেজদা নবেম্বর ১দগী ৪ ফাওবদা অঙাং ৫৮ শিখ্রে



গোরখপুর, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী):

গোরখপুরদা অঙাং কয়া শিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না বাবা রাঘব দাস (বি আর দি) মেদিকেল কোলেজদা অঙাং ৫৮ শিখ্রে।

হোস্পিটালগী কম্যুনিটি মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী মকোক প্রো. দি কে শ্রীভাস্তবানা হায়খি, নবেম্বর ১ দগীনা ৪ ফাওবগী মনুংদা অঙাং ৫৮ শিখি। লৈখিদ্রবা অঙাং ৩২ দি পোকপা থা ১ ফাদ্রিবা ঙাক্তনি। অতোপ্পা অঙাং ২৬ না থা ১ হেনবদা ঙাইরিবনি।

হৌখিবা ওগষ্ট থাদা অঙাং ৬০ হেন্না শিবগী থৌদোক থোকখিবদগী বি আর দি মেদিকেল কোলেজদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোকখ্রবনি। চহী অসিগী ওইনা হোস্পিটাল অসিদা পূন্না অঙাং ১,৩১৭ শিবগী থৌদোক লৈখ্রে। হোস্পিটালগী রেকোর্দ মতুংইন্না জান্যুৱারীদা অঙাং ১৫২, ফেব্রুৱারীদা ১২২, মার্চতা ১৫৯, এপ্রিলদা ১২৩, মেদা ১৩৯, জুনদা ১৩৭, জুলাইদা ১২৮, ওগষ্টতা ৩২৫ অমসুং সেপ্টেম্বরদা অঙাং ৩২ শিখি।

দিরেক্টোরেট ওফ নেসনল ভেক্টর বোর্ন দিজিজ কন্ট্রোল প্রোগ্রাম (এন ভি বি দি সী পি)গী দেটা মতুংইন্না গোরখপুর, মহারাজগঞ্জ, কুশিনগর, বষ্টি, সিদার্থ নগর, শান্ত কবির নগর, দিওরিয়া অমসুং মাওদা একুট এনসেফলাইটিস সিন্দ্রোম (এ ঈ এস) অমসুং জপানিজ এনসেফলাইটিসনা মরম ওইরগা অঙাংশিং অদু শিখিবনি।

গোরখপুরগী লায়েংশঙ অমদা শুপ্ন গী নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা অঙাং ৭০ হেন্না শিখিবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা লূচিংবা য়ু পি গভর্ণমেন্টনা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (মেদিকেল হেল্থ) অনিতা ভত্নগর জেন মফম লৌথোকপা লৈখ্রবনি। ইনক্বারি রিপোর্ট অমদা য়ুম্ফম ওইরগা মকোক থোংবা ওফিসল অদু মফম লৌথোকখিবনি।

# চেন্নাইদা নোংনা মরম ওইরগা স্কুলশিং থোঙ লোনখ্রে

চেন্নাই, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী):

টামিল নাদুগী মফম খরদা ময়াই ওইরপ কনবা চাংদা নোং চুখিবগা লোয়নননা লাক্কদৌরিবা নুমিৎশিংদসু নোং চুরকপা য়াই হায়না মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা কাঞ্চিপুরম অমদি টিরুবলুরগী মহৈ তম্ফম লোইশঙশিং থোঙ লোনখি।

রিজনেল মেটিওরোলোজিকেল সেন্টরগী দেপ্যুটি দিরেক্টর জেনরেল এস বি থাম্পীনা হায়খি, টামিল নাদু অমসুং পুদুচেরিগী মফম খরদা লেপ্তুনা নোং চুরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরি।

ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ ফাওবদা মিলিমিটর ২০.১ গী চাংদা নোং চুখি। মাদিপাকমদা লৈবা ইন্দিপেন্দেন্ট ৱেদর ষ্টেসন অমগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি মিলিমিটর ৩৬.৩ গী চাংদা নোং চুখি হায়রি। নোং লেপ্তুনা চুরকপনা মরম ওইরগা চেন্নাইগী মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী সীটি অদুদা গাড়ী চেনবা লেপখি।

মমাঙ চয়োলদা টামিল নাদুগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবা নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ১২ শিবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা তারবা ষ্টেট অসিদা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টরনা চেন্নাইদা চৎতুনা অহানবা ওইনা দি এম কেগী প্রসিদেন্ট এম করুনানিধিগা উনখি।

করুনানিধিগী মচানুপা এম কে ষ্টেলিননা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা মপা চান্নবা প্রাইম মিনিষ্টরনা চেন্নাইদা থুংলখিবনি।

ষ্টেলিননা হায়খিবনি মদুদি, বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরগী এন দি এ গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১৪ গী লোক সভা মীখল মতমদা শকখিবা ৱাশক অমত্তা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে। মীচম মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা লৈঙাক অসি মতিক চাবা পারা তন্বীবা মতম ওইরে।

# দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা কম্পেনিশিংনা বেঙ্কশিংদা লুপা ক্রোর ১৭,০০০ থমজিল্লকখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী):

দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা কম্পেনি ৩৫,০০০ রোম্না লুপা ক্রোর ১৭,০০০ থমজিল্লকখিবগা লোয়নননা কোন্না অমুক লৌথোকখি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

হায়রিবা কম্পেনিশিং অদু হৌজিক্তি রেজিষ্ট্রেসন ককখ্রবা কম্পেনি ঙাক্তনি। মতম শাংনা মথৌ তৌদনা লাকখ্রবা কম্পেনি লাখ ২.২৪ ওফিসল রেকোর্দতগী ককখিবগা লোয়নননা দিরেক্টর লাখ ৩.০৯ দিসক্বালিফাই তৌখিবনি। অশাবা কম্পেনিশিংনা অরানবা মওংদা শেল থাদোক-থাজিন তৌবগী থৌওং থিংনবগী পান্দমদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা নেসনল ফাইনান্সিএল রিপোর্টিং ওঠোরিটি লিংখৎতুনা কম্পেনিশিংগী ষ্টেটমেন্ট চেক তৌহনখি।



মমিংতগী ওইনা লৈবা কম্পেনি কয়া অরানবা মওংদা ব্লেক মনিবু হ্বাইট মনি ওন্থোকপগী থৌওং থিংনবগী পান্দমদা হায়রিবা কম্পেনিশিং অদুগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা সিরিয়স ফ্রোদ ইনভেষ্টিগেসন ওফিস (এস এফ আই ও)কী দিরেক্টর, এদিসনেল দিরেক্টর অমদি এসিষ্টেন্ট দিরেক্টরদা মতিক ময়াই পীখি। মরাল লৈরবা মীওইশিং অদু কম্পেনিজ এক্টকী সেক্সন ৪৪৭কী মখাদা চহী ১০ ফাওবা কৈশুমশঙদা থম্বা য়াই।

এস এফ আই ওনা থিজিনবদা শুপ্নগী কম্পেনি অমখক্না তোঙান-তোঙানবা বেঙ্কশিংদা একাউন্ট ২,১৩৪ হাংলম্বা থেংনখি।


## NOTICE INVITING e-TENDER

No. EE-III-PDA/NIT/2017-18/2 dated 04-11-2017

The Executive Engineer-III, PDA, Manipur on behalf of Chairman, Planning & Development Authority (PDA), Manipur invites online item rate 'e' tenders from the Registered Special Class Contractors of PDA who have executed at least 1(one) work of the value of not less than Rs.15.00 Cr. during the last 5(five) years in PDA, Manipur or are executing the same value now in PDA, for the work:

Name of work:- Construction of Multipurpose Indoor Stadium at Kshetri Leikai, Haotabi Lampak, Thoubal.

Estimated Cost :- Rs.10,27,04,137.70 Earnest money:- Rs.20,54,083.00

Cost of tender & cost of e-tender processing fee :- Rs.5,000.00 (non refundable).

Period of completion :- 24(twenty four) months,

Online bid starts:- 10-11-2017 at 1200 Hrs.

Last date and time of submission of bid :- 01-12-2017 at 1200 Hrs.

Date and time of opening : 01-12-2017 at 1500 Hrs.

The tender forms and other details can be obtained from the website www.manipurtenders.gov.in

Executive Engineer-III,
PDA, Manipur.

HL-B/4203/7 No.2/33/2017-DIPR



## MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of 2nd Semester Exam., 2017 bearing Roll No. 2604280 issued by Manipur University, on the way from Singjamei to Kwakeithel on 4/11/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Bony Kapoor Sapam
Singjamei Sapam Leikai
☎ 7085554366

HL-P/4708/7

## GAS BOOK LOST

I have lost my Original Gas Book bearing Consumer No. 37000000039010321 (7039010321) and SV No. 100000560160186, issued by Lamsang Gas Agency, on the way from Lamsang to my residence on 29th Oct., 2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Khundongbam Binashakhi Devi
Sanjenbam Mamang Leikai
☎ 9856118037

HL-P/4710/7

## SMART CARD LOST

I have lost my Smart Card of Hero Moto Corp MAESTRO EDGE bearing Regn. No. MN06SB/2632 issued by D.T.O Imphal West, Engine No. JF33AAGGL00458 and Frame No. MBLJF33AAGGK15096, on the way from Paona Bazar to Keishampat on 6/11/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- S. Willronthang Aimol
Aimol Ngairong Village ☎ 8974193533

HL-P/060/7

## Wholesale Dealer অমগী মী পামজৈ

- Salesman – 1 No.
- Driver – 1 No.

HL-P/3025/7 Contact ☎ 7005036375 / 8732840317

## ইশ্খোল য়োঞ্জরি

লাংজিং চীং মমাং, ট্রক পার্কিং ময়াদা 0.30 acre মুক চাওবা ইশ্খোল অমা য়োঞ্জরি। অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাগী মোবাইল নম্বরশিং অসিদা কন্টেক তৌবীয়ু।

HL-P/4709/7 ☎ 8732038271 / 8310161192

## ইশ্খোল য়োঞ্জরি

ঐগী ইশ্খোল পোইন্ত নিপান (৮) চাওবা অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বনা পাম্বীরবদি মখাদা পীজরিবা মোবাইল নম্বর অসিদা কন্টেক তৌবীরকউ।

HL-P/3024/7 ☎ 7638909773

## মী খরা পামজৈ

লৈকোল অমা শেমগৎপগী নুপা নৎত্রগা নুপী খরা পামজৈ। লৈফম অমসুং চাবগী ফ্রি ওইগনি। কনা লৈজদ্রবা নৎত্রগা ময়ুম মকৈ লৈতবা মীওইদা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি। তলব ₹৩০০০ দগী ₹৬০০০ ফাওবনি।

HL-P/061/7 Contact ☎ 9612455425 / 8787765148

## JOB FOR UNEMPLOYED


ইম্ফাল অমসুং মণিপুরগী Major District শিংগী ওইগদবা তোঙান তোঙানবা Official Post কীদমক Candidate 81 (নুপা ৪৭ অমসুং নুপী ৩৪) গীদমক থবক্কী দরখাষ্ট কৌজরি।

| | | |
|---|---|---|
| Age | : | Below 30 yrs. |
| Qualification | : | X, XII, Graduate |
| Income | : | ₹ 10,000/- to ₹ 35,000/- (P.M) |
| Facility | : | Fooding + Lodging Available |
| Visiting Hour | : | 12:00 noon to 3:00 p.m. |

থবক অসি লাইরিক তম্লিবা মীওইশিংনসু তৌবিবা য়াগনি। দিপোজিট লৈরোই। Apply তৌবীনিংবশিংনা অথুবা মতমদা ইশাগী Bio-Data গা লোয়নননা লাকপীয়ু।

HL-P/059/7,9,13 Contact : 9774986962 / 9856377551

## মেডাম গুণীবু থাগৎচরি



শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা পাবুং লাইশ্রম নবকিশোরনা ইবিবা লাইরিক *"চুম্মী" হায়না লৌবীব্রা? "লাল্লি" হায়না লৌবীব্রা?* হায়বা লাইরিক অসি পাবদা য়াম্না নুংঙাইজৈ। কান্নরবা পাউরৌ পাউতাক ঙাক্তনি। লাইরিক অসিবু ফোংবীরিবী **অহৈবম ওংবী মেডাম গুণী** হৈরাংগোইথোং বাজারবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। মথংগী কুনশুবা খুৎনমবুসু থুনা ফোঙবীদুনা মথং মথং পাবা ফঙহনবীনবা মেডামদা নোল্লুকচবগা লোয়নননা হায়জরি।

MUHAMAD KHAN
Nungei

HL-P/4699/7

## Hon'ble Chief Minister Manipur, Shri N. Biren Singh বু মতম চুপ্পগী ওইনা শৌগৎচরে

ঙসি তাং ৬/১১/২০০৭ ইং, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা হৈঙাং গ্রাম পঞ্চায়টকী নৌনা মীখলদা মায় পাক্লক্লবা ৱার্ড নং ৪ গী ৱার্ড মেম্বর নত্তনা লেমহৌরিবা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিমক্কী প্রধান, উপ-প্রধান অমদি ৱার্ড মেম্বর ৭ মক্কা লোয়নননা অখন্নবা মীফম অমা শ্রী খুমন্থেম জিলা সিংহনা প্রিসাইড তৌদুনা পাঙথোকখি। মীফম অসিদা (১) শ্রীকোঞ্জেংবম জয়েন্তা (প্রধান), (২) সোইবম রোমিও (উপ-প্রধান), (৩) য়াঙ্গোইজম নাওবী (মেম্বর) ৱার্ড নং ৩, (৪) হিরোম বরোদা (মেম্বর) ৱার্ড নং ৪, (৫) নাওরোইবম তোলেন (মেম্বর) ৱার্ড নং ৫, (৬) খোমদ্রাম শান্তি (মেম্বর) ৱার্ড নং ৬, (৭) ৱাইখোম জবান (মেম্বর) ৱার্ড নং ৭, (৮) নাওরেম তপশিনি (মেম্বর) ৱার্ড নং ৮ অমদি (৯) সাপম বিনোদিনি (মেম্বর) ৱার্ড নং ৯, মীফম অসিদা ঐখোয় খুদিংমক্না পুক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা গ্রাম পঞ্চায়ট অমা ওইননবা অমদি ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর শ্রীএন বিরেনগী ৱাখল্লোনবু থম্মোয়নুংদা চেৎনা থাজবগা লোয়নননা মতম চুপ্পগী ওইনা শৌগৎচরে অমসুং চাউখৎপা, তংদু লৈতাবা মণিপুর অমা ওইননবা হোৎনবদা লৈপাক মীয়ামগী পুকচেল শেংবা লুচিংবা অমা ওইরিবা অসিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা পুকচেল শেংনা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নগনি হায়না ঐখোয় খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা ৱারেপ্নরে।

Sd/- Khumanthem Jila Singh
President,
B.J.P. Heingang Mandal

HL-P/4711/7